## নেপালনা ইন্দিয়াগী মীচঙদা লেপ্লকখ্রে

কাঠমান্দু, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : চাইনা, বঙ্গলাদেশ অমদি পাকিস্থান লৈবাক অহুমনা অনৌবা সার্ক ওর্গনাইজেসন অমা শেম্নবা হোৎনরক্লিবা অসিদা নেপাল গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়া য়াওদনা নৌনা শেমগনি হায়রিবা সার্ক ওর্গনাইজেসনদা য়াওরোই হায়না ইন্দিয়াগী মীচঙদা লেপ্লকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি চাইনা, পাকিস্থান অমদি বঙ্গলাদেশ লৈবাক অহুম্না ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীনবা হোৎনরকপগী লালোং অমা ওইনা অনৌবা সার্ক শেম্না হোৎনরকখিবনি।

## ‘বেঞ্জামিন নেতানয়াহু ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরগা ৱা ঙাঙই’



তেহরান, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেতানয়াহু ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরগা ৱা ঙাঙই হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর অব্বাস অরাঘচিনা চাউনা মরাল শীরকখ্রে।

পনবা য়াবদি নুমীৎ ১২ রোম লান শোক্লখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা ইরান অমদি ইজরেল লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগী মরক্তা চিনগী লান অমুক হৌরকখিবনি। নুমীৎ ১২ রোম শোক্লখিবা লানদা ইজরেলনা ইরান লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসর কয়া অমদি ন্যুক্লিয়ারগী সাইন্টিষ্ট কয়াসু হাৎখিবদগী লমন খুমনিংবগী মৈচাক ইরানদা হৌজিকসু ওমদুনা লৈরি হায়রি।

# ব্লাদিমির পুতিন নুংথিলগী মতমদনা খোইথুম্নরবা ৱা ঙাঙই নুমীদাংগী মতমদনা য়ুক্রেনদা মিসাইলনা লান্দাই: দোনাল্ড ট্রম্প





ৱাসিংটন, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিন নুংথিলগী মতমদনা খোইথুম্নরবা ৱা ঙাঙই অদুগা নুমীদাংগী মতমদনা য়ুক্রেনদা ড্রোন অমদি মিসাইলনা লান্দাই হায়না য়ুক্রেনগী লান লোইশিন্দবদগী খোইশাউনরবা আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোরকখ্রে।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না চহী অহুম হেন্না শোক্লদুনা লাক্লিবা লান লোইশিন্নবা তাঙ্কক কয়া থোক্লা ৱারি শান্নহনখ্রবসু পুতিননা লান লোইনবা হোৎনরক্তবা মরম্না য়ুক্রেনদা য়ু এসকি মায়কৈদগী পেট্রিএদ এয়ার দিফেন্স সিষ্টম অমদি লুপা ক্রোর লিশিং ২.৫ রোমগী ওইগদবা লানগী খুৎলায়শিংসু য়ুক্রেনদা পীরগনি হায়না ট্রম্পনা লাউথোরকখ্রে। লান অসিদা য়ুক্রেনদা মতেং পাংনবা নাটোগী জেনরেল সেক্রেটরি মার্ক রুটেগা উন্নদুনা ৱারি শান্নরগনি। ট্রম্পকা য়াম্না নক্লবা রিপাব্লিকান পার্টিগী সিনেটর লিন্দসে গ্রাহমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না য়ুক্রেনদা য়ু এসনা লানগী খুৎলায় মতেং পাংলন্বা থিংখিবা অদু লৌথোক্লগা লানগী মথৌ তাবা অৱাৎপা খুৎলায় পূন্নমক মখা তানা য়ুক্রেনদা পীদুনা লানগী মতেং পাংবা হৌরগনি হায়রি। লোয়ননা আমেরিকা, নাটোদা য়াওরিবা লৈবাকশিং অমদি য়ুক্রেনগী মরক্তা য়ানবা অমগী মখাদা লান অসিদা য়ুক্রেনদা পীগদৌরিবা লানগী খুৎলায়শিং অসিগী শেনফম পূন্নমক নাটোনা পুথোক্কনি হায়রি।

ইটলিদা পাঙথোকপা মীফম অমদা রসিয়াগা শোক্লদুনা লাক্লিবা লান অসিদা মাঙ-তাকখিবা পূন্নমক শেমগৎ শাগৎনবগীদমক লুপা ক্রোর লিশিং ৯০ রোম য়ুক্রেনদা পীনবসু য়ানখ্রে হায়না ইটলিগী প্রাইম মিনিষ্টর জোর্জিয়া মেলোনিনা ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

## রসিয়া অমদি য়ুক্রেনগী লানদা নাকল ২গী ওইনা পুন্না লান্মী লাক্ষ ১১ রোম শিখ্রে হায়না পানরি

মোস্কো, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : চহী অহুম হেন্না শোক্লদুনা লাকখিবা রসিয়া অমদি য়ুক্রেনগী লান অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অনীগী পুন্না মীওই লাক্ষ ১১ রোম শিরমগনি নৎত্রগা শোক্লস্বা য়াই হায়না রসিয়া মেটর্সতা ফোংবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না লান অসিদা মীওই লাক্ষ ১১ রোম শিখ্রে হায়বা চপচানদি ফোঙদোরক্ত্রি। অশিবগী মশিং লৈবাক অনীনা লোৎশিন্নদুনা লাকখিবনি। লান অসিদা রসিয়াগী ওইনা ৪৮,০০০ অমদি য়ুক্রেনগী ওইনা ৩৫,০০০ লোম থিবা খঙদনা লৈরি। লোয়ননা লান অসিদা মীচম রসিয়াগী ৩৮৮ অমদি য়ুক্রেনগী ১২,৫০০ শিখ্রে। মীওই লাক্ষ কয়া অমনা শাফগদবা মফমশিংদা লাঞ্জেন্নখ্রে হায়রি।

## বঙ্গলাদেশতা মাইনোরিটি হিন্দু মচা অমা মফি-মরোল লৌথোক্তুনা ফুরবা তুং নুংনা থোমদৎতুনা হাংখ্রে

ধাকা, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : বঙ্গলাদেশতা মাইনোরিটি ওইরবা হিন্দু মচা অমা মফি-মরোল লৌথোক্তুনা ফুরবা মতুং নুংনা থোমদৎতুনা হাংখ্রে। জুলাই ৯দা মিটফোর্দ হোস্পিটালগী মনাক্তা লৈবা ললোন ইতিক্কি থবক তৌবা হিন্দু মচা লাল চন্দ সোহাগ (৩৯) পু চেক অমদি নুংশিংনা থোমদুনা হাংখিবনি। মীওই অদুগী মকোক অমদি মশা পূন্নমক তমথিনা শুদৎতুনা হাংখিবনি হায়রি।





রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না লাল চন্দ সোহাগ কৌবা মীওই অদু মীয়াম্না মফি-মরোল লৌথোকপীরবা মতুংদা মীয়ামগী মরক্তগী মীওই খরা থোক্লক্তুনা মীনুংশি লৈতনা চেক অমনি নুংনা থোম-থোমদুনা হাংখিবনি। লাল চন্দ হাংখ্রিবা অসি ললোন ইতিক্কা মরি লৈনবা অমদি শেল খায়বদা পীউ য়াদবগী ৱাহৌদা থোকখিবা থৌদোক ওইরমগনি হায়না ফোঙদোক্লুরকখ্রে। হেন্না ঙক্লিবদি হিন্দু লাল চন্দগী অশিবা হকচাং মথক্তা নেৎতুনা জগোই শাদুনা হরাউ-নুংঙাইবসু ফোঙদোকখিবা অদুনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ হেক ফংবগা বঙ্গলাদেশ শিনবা থুংনা ঈহৌ হৌরকপদগী থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা চেন্নবা মীওই ১৯ লোমগী মথক্তা কেস পানখ্রে। লোয়ননা হৌজিকসু থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই ২০ লোমসু ফাগৎনবা হোৎনরি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা শিখ্রবা লাল চন্দ সোহাগকি মচে মঞ্জুআরা বেগমনা পুলিসতা কম্পলেন তৌরকখিবনি। হৌজিকমক্কি ওইনা বঙ্গলাদেশকি পুলিসনা মহমুদুল হসন মোহিন, টারেক রহমান রোবিন, আলমগির, মোনির অমদি অতৈ অতোপ্পা মীওই খরাসু ফাগৎখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা খোইশাউনরবা মীওইশিংনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীনবা দিমান্দ তৌখ্রে। মাইনোরিটি হিন্দুশিং বঙ্গলাদেশতা লৈবা ঙম্নরক্তরে হায়রি।

## চাইনা অমদি পাকিস্থান অনীনা স্বার্ম ড্রোন শানবা প্লানিং তৌখ্রে : এক্সপার্ট

ইস্লামাবাদ, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : ইন্দিয়াগী মায়োক্তা য়াম্না লোন্না-থুপ্না চাইনা অমদি পাকিস্থান লৈবাক অনীনা ‘স্বার্ম ড্রোন’ শানবগী প্লানিং পায়খৎপা হৌখ্রে হায়না ইন্দিয়াগী দিফেন্সকি লমদা খঙ হৈরবা এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না চাইনা অমদি পাকিস্থান লৈবাক অনীনা শাবা হৌনবা থৌরাংলক্লিবা স্বার্ম ড্রোন এয়ার দিফেন্স সিষ্টমনা কাপথবা ঙম্লোইদবা মখলগী ড্রোনশিংনি। ড্রোন মখল অসি ফুট ৫,০০০দগী ১০,০০০ রোম ৱাংনা পায়রগা য়েক্লবশিংগী টার্গেটতা লান্দাবা ঙম্বা খুৎলায় ওইগনি। স্বার্ম ড্রোন কাপথগে হায়রবদি এস এ এমনচিংবা মিসাইলশিং শীজিন্নদবা য়ারোই। ড্রোন অমগীদমক অতাংবা মিসাইল শীজিন্নবা হায়বসি লৈবাক অমগী ওইনা চাউনা মাঙজবা ওইগনি হায়রি।

## কিম জোং উননা য়ু এস অমদি জাপানদা ৱার্নিং তৌখ্রে



প্যোংয়াং, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : রসিয়াদা মীৎ হঙ্গৎনা য়েংবা য়ারোই হায়না নোর্থ কোরিয়াগী সুপ্রিম লিদর কিম জোং উননা য়ু এস অমদি জাপানদা ৱার্নিং তৌদুনা অকি-অখঙ পীখ্রে হায়না রিপোট অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুক্রেনগা শোক্নরিবা লান অসিদসু নোর্থ কোরিয়ানা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা রসিয়াদা চাউনা মতেং পাংগনি হায়নসু কিম জোং উননা ফোঙদোরকখিবনি। সাউথ কোরিয়াগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না লান্মী লিশিং ১০ হেন্না থাখিবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর লাক্ষ ২০ লোমগী লানগী খুৎলায়সু রসিয়াদা মতেং পাংখ্রে হায়রি।

## গ্রিস অমদি ইন্দিয়া অনী পুন্না ৱার এক্সরসাইজ পাঙথোকখ্রে

এথেন্স, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : গ্রিস অমদি ইন্দিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা নেভিগী ওইবা ৱার এক্সরসাইজ অমা মুম্বাইগী সমুদ্রদা পাঙথোকখ্রে। পাউ অসি তাবদগী পাকিস্থানগী লুচিংবশিং খম থেংনা অমুক পাখৎনখ্রে হায়রি।

গ্রিস অমদি ইন্দিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা পুন্না ৱার এক্সরসাইজ চথখিবা অসি হন্দক পাকিস্থান অমদি টর্কি লৈবাক অনী পুনশিনখিদুনা অমনা অমগী মতেং পাংনবা হৌরকখিবা অদুগী মতাংদা গ্রিস অমদি ইন্দিয়া লৈবাক অনীনা পীবা পাউখুম অমা ওইনা মালেমগী লৈবাকশিংনা উনরকখ্রে। গ্রিক টাইমসকি রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়া অমদি গ্রিসকা পুন্না থবক তৌমিন্নরকপা অসি য়েক্লবা লৈবাকশিংদা পীবা অচৌবা মেসেজ অমনি।

গ্রিস অমদি ইন্দিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরি পুরকপা ঙল্লিবা অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হোৎনরকপগী মহয়নি হায়রি।

## ইজরেলগা লান শোক্লনবা গাজাদা হামাসকি লান্মী লাক্ষ ২ থোক্লকখ্রে

তেহরান, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : গাজাগী লান ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেতানয়াহুনা মায়পাক্লে হায়না খঞ্জরবসু হৌজিক ইজরেলগা লান থেংননবা হামাসকি লান্মী লাক্ষ ২ রোম চোংথোরকখ্রে হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর অব্বাসি অরাঘচিনা ফোঙদোরকখ্রে।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর অব্বাসি অরাঘচিনা ইজরেলদা লান অমুক তৌনবা কায়হৌরদুনা করিগুম্বা ইজরেলনা আমেরিকাদা লান লেপ্পিনবা হায়জরমদ্রবদি ইরানগী মিসাইলদা ইজরেল পুমতুম তুম্না মাঙলমগদবনি। অকিবা অসি লৈরকপদগী বেঞ্জামিননা আমেরিকাদা চঙজখিবনি হায়রি।

## টর্কিগী এর্দোগন খম থেংনা হরাউখ্রে

অঙ্কারা, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : ব্রাজিলনা ইন্দিয়াগী ‘অকাশ’ হায়না খঙনবা এয়ার দিফেন্স সিষ্টম লৈগনি হায়না তৌরম্বা অদু তোকখিদুনা য়ুরোপকি দিফেন্স কম্পনি এম বি দি এদগী লৈনবা ৱারি শান্নবা উবদগী টর্কিগী প্রসিদেন্ট এর্দোগন খম থেংনা হরাউখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা দিফেন্সকি লমদা য়ানখিবা ৱাফম অমুক য়ানদবা হায়বসি অদুমক থোক্তুনা লাকখিবা ঙাক্তনি। অদুবু ব্রাজিল অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা তৌনখিবা দিল কায়বা উরকপদা টর্কিনা হরাউবা হায়বসি পাকিস্থানগী মীচঙদা লৈরে হায়বনি।

## ইজরেল মুখৎপা ঙমদ্রিবা ফাওবা লান তৌখিগনি: হুটি

সানা, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : ইজরেলবু মপুং ফানা মুখৎতুনা লৈখা তাহন্দ্রিবা ফাওবা লান তৌখিগনি হায়না হুটিগী লুচিংবশিংনা লাউথোরকখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ইজরেলনা য়ামেনদা লৈরিবা হুটিশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা ড্রোন অমদি মিসাইল কাপশিন্দুনা লান্দাদুনা লাকপদগী খোইশাউনরবা হুটিশিংনা ইজরেলগী মথক্তা মখা তানা লান্দাদুনা ইজরেলবু মপুং ফানা মুখৎনবা হোৎনখিগনি হায়বা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

হুটিশিংনা রেদ সীদা মথৌ তৌরিবা ইজরেলগী জহাজ কয়াদা মিসাইল কাপশিন্দুনা লান্দানসু লাকখিবনি। হুটিগী এটেক্তা ইজরেলগী জহাজ কয়া পাকশন্না অমাঙ-অতা কয়া থোকখিবসু লৈখ্রবনি। মদুগী লমন খুম্বা ওইনা আমেরিকা য়াওনা ইজরেলনা য়ামেনদা লৈরিবা হুটিশিংগী কেম্পশিংদা থা কয়াগী মমাংদগী এয়ারষ্ট্রাইক চথদুনা লাকখিবনি। ইজরেলবু লৈখা তাহনবা হায়বসি হুটিশিংগী ৱাশকনি হায়রি।

## বলুচিষ্টান পাকিস্থানগী শরুক কৈদৌনুংদা ওইরোই : বি এন এম



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : পাকিস্থানগী বলুচিষ্টানদা নিংতম্বগী ঈহৌ কনখৎলকপগা লোয়ননা বলুচ নেসনল মুভমেন্ট (বি এন এম) না বলুচিষ্টান পাকিস্থানগী শরুক কৈদৌনুংদা ওইরোই হায়না লাউথোরকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি বলুচিষ্টান লিবরেসন আর্মি (বি এল এ) অমদি অতৈ অতোপ্পা খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিংনা পাকিস্থান গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা বলুচিষ্টান মনিংতম্বা লৈবাক ওইগনি হায়না লাল হৌদুনা লাকখিবনি। চৈরক অসিদা লালহৌদুনা লাকখিবা বি এন এমগী মায়কৈদগীসু বলুচিষ্টান পাকিস্থানগী শরুক অমা কৈদৌনুংদা ওইরোই হায়না লাউথোরকপদগী নিংতম্বগী ঈহৌ বলুচিষ্টানদা অমুক হন্না কনখৎলকখ্রে। হৌখিবা থা খরা অসিগী মনুংদা বি এল এ অমদি অতৈ অতোপ্পা লালহৌবশিংনা পাকিস্থানগী আর্মিদা লান্দাদুনা পাকশন্না হাৎখিবা লৈখ্রবনি।

চৈরক অসিদা বি এন এমগী লালহৌবশিংনসু পাকিস্থানগী পঞ্জগুর, সুরভ, কেচ অমদি খারননচিংবা মফমশিংদা পুন্না এটেক ১৭ লোম চথদুনা পাকশন্না লান্দাখ্রে হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

## পুং ২৪ গী মনুংদা গাজাদা ইজরেলনা এয়ারষ্ট্রাইক চথদুনা অঙাং য়াওনা পুন্না পেলেষ্টিনিয়ান ৯৫ হাংখ্রে



গাজা, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা গাজাদা ইজরেলনা এয়ারষ্ট্রাইক চথদুনা অঙাং য়াওনা পুন্না পেলেষ্টিনিয়ান ৯৫ হাংখ্রে। লোয়ননা কয়া অমনা অশোক-অপন নংহনখ্রে হায়রি।

গাজা হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না চহী ২ রোম ফাজিল্লক্লবা লান অসিদা ইজরেলনা চথরকখিবা তোঙান-তোঙানবা এটেক্তা শিখিবা পেলেষ্টিনিয়ানগী অপুনবা মশিং ৫৮,০২৬ লোম শুখ্রে। অদুগা অশোকপগী মশিংনা পুন্না ১,৩৮,৫২০ হেনখ্রে। লোয়ননা লান অসিনা মরম ওইরগা চাবা-থকপা ফংলক্তবদগী খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরবা অঙাংশিংনা থক্লনবা ঈশিং লৌনবা ক্যু লেপ্পুনা ঙাইরিঙৈদা চথরকখিবা এটেকশিংদা পুন্না অঙাং ৭০০ লোম শিখ্রে। ইজরেলগী লান্মীশিংনা গাজাদা চথরিবা লান অসিদা শুপ্নগী পেলেষ্টিনিয়ান মচাশিং হাৎপা খক্তা নত্তনা চান-থক্লবগী পোৎলমশিং ফংদনবসু হোৎনদুনা লাকখিবনি। ইজরেলগী লান্মীশিংনা হৌজিক ফাওবদা গাজাদা লৈবা ৱাটর ৱেল ৭২০ লোম থুগায়দুনা মাঙহন তাকহনখ্রে।

মসিনা মরম ওইরগা গাজাদা লৈবা মীওই মিলিয়ন ১.২৫ লোম অফবা থক্লনবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা চাউনা হৌজিক মায়োক্লদুনা লৈরি। গাজাদা পুশিল্লকপা চান-থক্লবা পোৎলম খুদিংদসু ইজরেলগী লান্মীশিংনা থিংজিন্দুনা থম্বা মরম্না গাজাদা লৈরিবা মীওইশিংনা লানগী মথক্তা চানবগী লান অমসু মায়োক্লরকপনি হায়রি।

## য়ু এসকি মতেংদগী তেজস ফাইটর জেট শাবগী খোঙজেল য়াঙখৎলকখ্রে

ৱাসিংটন, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : য়ু এসকি মতেংদগী ইন্দিয়াদা শাজবা তেজস ফাইটর জেট শাবগী খোঙজেল য়াঙখৎলকখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি তেজস এম কে ১ এ হায়রিবা ফাইটর জেট অসি শানবা হোৎনবদা জি ই এফ ৪০৪-আই এন ২০ হায়না খঙনবা ইঞ্জিন অসি য়ু এসনা খোঙজেল য়াঙনা থাবা হৌরকখিবনি। ইন্দিয়া অমদি য়ু এস লৈবাক অনীগী মরক্তা হৌখিবা চহী ২০২১ দা মিলিয়ন দোলর ৭১৬ লোমগী শেনফমদা এগ্রিমেন্ট তৌনখিবনি। অদুবু সপ্লাই চেনদা অয়েৎ-অপন লাকপদগী তেজস ফাইটর জেট শাবগী থবক তপথদুনা লাকখিবনি। ২০২৬-২৭ ফাওবদা তেজসকি য়ুনিট ৩০ রোম শাদুনা পুথোরকপা য়াই হায়না পানরি।

## সীরিয়াদা নাকল অনী মুক্নরকপদগী হাৎনবদা মীওই ৩৭ রোম শিখ্রে

সীরিয়া, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : সীরিয়াগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা দ্রজ সিটিদা লৈবা বেদোইন ট্রাইভস অমদি লোকেল ফাইটরশিংগী মরক্তা হাৎনরকপগী থৌদোক অমদা মীওই ৩৭ রোম শিখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।


রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না বেদোইন টাইভ অমদি লোকেল খুৎলায় পায়বা মীওইশিংগী মরক্তা করম্বা ৱাহৌদগী হাৎনরকখিবনো হায়বগী চপচাবা মরম হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদনা লৈরি। থৌদোক অদুদা অঙাং য়াওনা মীওই ২৭ লোমসু চাউনা অশোক-অপন নংখি। পনবা য়াবদি বেদোইন ট্রাইভস অমদি লোকেল ফাইটরশিংগী মরক্তা মমাংদগী হৌনা অদুমক মুক্নদুনা লাকখিবনি। লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক মশিং য়াম্লবা টৈররিষ্ট কয়াসু লৈরি হায়নসু রিপোর্টনা মখা তারি।

## রসিয়া চাইনা অমদি পাকিস্থানগী লোলদা ৱা ঙাঙবা হৌরকখ্রে

বৈজিং, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : ইন্দিয়াগী মরুপ ওইরিবা লৈবাক রসিয়া চাইনা অমদি পাকিস্থানগী লোলদা ৱা ঙাঙবা অমদি ইবা হৌরকপদগী ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংদা খরা খজিক ৱারৌবা অমদি নুংঙাইতবা ফাওহনখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হন্দক ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর এস জয়শঙ্কর অমদি চাইনাগী ভাইস প্রসিদেন্ট হান ঝেংগা উনখিবা অদুগী পাউ ইরদুনা রসিয়াগী স্পুটনিক ইন্দিয়া হায়না খঙনবা পাউচে অমদা ‘ইন্দিয়া এদমিনেষ্ট্রেদ নোর্থইষ্টর্ন ষ্টেট ওফ অরুনাচল প্রদেশ’ হায়না ইরকখিবনি। ৱাহৈ অসি চাইনা অমদি পাকিস্থাননা শীজিন্নদুনা লাকখিবনি। পাকিস্থান অমদি চাইনানা জম্মু এন্দ কস্মিরগী মতাংদসু ‘ইন্দিয়া এদমিনেষ্ট্রেদ নোর্থইষ্টর্ন ষ্টেট ওফ জম্মু এন্দ কস্মির’ হায়না ইদুনা অমদি ঙাঙদুনা লাকখিবনি। অরুনাচল প্রদেশ ইন্দিয়াগী শরুক অমনি, কনা অমত্তনা য়েংপা য়ারোই হায়রি।

## Crossword # 763



Across
1. RR terminals
5. Reads quickly
10. Send
14. Buddy
15. Wall board
16. Voice range
17. Went by train
18. Aquatic plants
19. Avails oneself of
20. Chinese, e.g.
22. Nothing more than
23. Italy's capital
24. Gasoline, in England
26. Musical show
28. Divisible by two
30. Arid wastelands
34. Large handkerchief
38. Laker Shaquille ____
39. Top card
40. Large trucks
43. Squeak by
44. Seaside
47. Was present at
50. Spanish women
53. King's title
54. Encouraged
56. Evaluators
60. Blemish
63. Listen
65. Disrobe
66. Skirt length
67. Book of maps
69. Bound
70. "Once ____ a time..."
71. Blouse
72. Adam's home
73. Richard ____ of "Pretty Woman"
74. Grouchy
75. Posted

Down
1. ____ metal
2. Not these
3. Inspect ledgers
4. Smudged
5. Exercise club
6. Composed
7. Infuriate
8. Approached
9. Garment part
10. Actress ____ Stapleton
11. Too
12. Gossip bit
13. Come in last
21. Flaring star
25. Telescope glass
27. GI's hangout
29. SSW's opp.
31. Critic Rex ____
32. Steal
33. Snow coaster
34. Freshwater fish
35. Long (for)
36. Bright sign
37. Physicians' org.
41. The I in TGIF
42. Recipe direction
45. Standard procedure
46. Miscalculate
48. Distinct times
49. Prickly plants
51. Appalled
52. Boil
55. Sandwich shops
57. Wear away
58. Mature
59. Used money
60. Arrogant
61. Tobacco holder
62. Bloodhound's clue
64. Pub missile
68. Pig's digs

Puzzle Grid

পাউখুম লমায় ৯দা

## সাউদি আরাবিয়াগী প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমাননা মালেমদা লৈরিবা মুস্লিমশিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লে



সনা, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : সাউদি আরাবিয়াগী প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমাননা মুস্লিমশিংগী ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লে হায়না য়ামেনদা লৈরিবা হুটি লালহৌবশিংনা চাউনা মরাল শিরকখ্রে হায়রি।

সাউদি অরাবিয়া হায়রিবা লৈবাক অসি হৌজিক আমেরিকা অমদি ইজরেল লৈবাক্কি এজেন্ট অমা ওইনা থবক তৌখ্রে। মরম অদুনা সাউদি অরাবিয়াগা মুস্লিম লৈবাকশিংগা মতম কয়াগী মমাংদগী লৈরকখিবা অফবা মরিদা অয়েৎ-অপন থোকহনবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা সাউদি অরাবিয়াগা অফবা মরি থম্বগী মহুৎতা হুটিশিংনা ইরানগা ওইনা হেন্না অফবা মরি থম্নবা হোৎনরগনি হায়নসু হুটিগী লুচিংবশিংনা লাউথোরকখ্রে হায়রি।

হুটিশিংনা য়ু এস অমদি ইজরেলগা শোক্লদুনা লাক্লিবা লান অসি মখোয়না মুস্লিম ফুরুপশিংদা চথরকখিবা তমথিরবা লালোংশিং অদুগা থেংননবা হোৎনরকপনি। পূন্নমক খঙনা-খঙনা সাউদি অরাবিয়ানা তৌরক্লিবা থৌওং পেন্নিং ঙাই ওইদে হায়নসু ফোঙদোরখিবনি।

## মার্স প্লানেটতগী তারকখিবা কিলো ২৫ হেন্না লুম্বা মেটিওরোইট লুপা ক্রোর ১৩দা ওক্সন তৌরবা য়াই





ৱাসিংটন, জুলাই ১৪ (এজেন্সি) : মালেম পৃথিবিদগী চাউরাক্লা কিলোমিটর মিলিয়ন ২২৫ রোম লাপ্না লৈরিবা মার্স প্লানেটতগী তারকখিবা কিলো ২৫ হেন্না লুম্বা মেটিওরোইট লুপা ক্রোর ১৩দা ওক্সন তৌরবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মার্স প্লানেটতগী তারকখিবা মেটিওরোইট অসি কুমজা ২০২৩ দা নাইজেরিয়াগী রিমোট এরিয়া অমদগী ফংবা ঙমখিবনি। ন্যু য়োর্কতা ওক্সন তৌখিবা মার্স প্লানেটতগী তারকখিবা মেটিওরোইট অদু সাইন্টিষ্টশিংনা এন দব্লিয়ু এ ১৬৭৮৮ হায়না মীংথোনখিবনি। কিলোগ্রাম ২৫ রোম লুম্বা মেটিওরোইট ইঞ্চি ১৫ রোম পাকই। মার্স প্লানেটতগী তারকখিবা মেটিওরোইট অসি মালেমদা ফংবগী চাং অসি চাদা ০.৬ লোম খক্তা ওইরি। হৌজিক হৌজিক মার্স প্লানেটতগী তারকখিবা মেটিওরোইট অসি ন্যু য়োর্ককি গেলেরি অমদা মীয়াম্না উবা ফংনবা থল্লি। মার্সতগী তারকখিবা মেটিওরোইট অসি জুলাই ১৬ তা ওক্সন তৌরগনি হায়রি।